[illegible]



[illegible]

# ঙসিগী ৰাষি ফল (০১-১০-২০২৬)

## ইবোপিশক নিংথৌজা (এৰার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** চাওখৎপা ফগৎপা থৌরম পাঙথোকপা, মরুপ মফম ফগৎপা, চাংয়েংনবদ মায়পাকচবা, অরাপ্পা চৎপা অফবা ওইবা নুমিৎনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত মান্নগনি।
মহেৰোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃষঃ** পুক্লিং হকচাং ফগৎপা, শকখঙবীবা হেনগৎপা, শীংথাবীবদা য়াওবা, মরী মতাশিংনা চানবীবা, চৎথোক চৎশিন্দা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহেৰোয়শিংগী – বুদ্ধি হেনগৎলগনি।

**মিথুনঃ** চেকশিন্না হৈশিংনা হোৎনজরবদি, অফবা ফল ফংলগনি। লম্লানবশিং, ইথক থোংবশিংনা চানবীরগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰাখল মান্নগনি।
মহেৰোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**কর্কটঃ** অশাওবনা মাঙজগনি। ৰাৰৌবা লৈরগনি। বুদ্ধি ফকচিনবা, য়েৎপিনবা য়াম্বা, শাগৈনা য়েংথিবা, শেল চৎপা নুমিৎনি। শান্তি লৈরোই।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহেৰোয়শিংগী – ফকচিল্লগনি।

**সিংহঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, থবক্তা মায় পাকচবা, মীথোই মীহেনবা লুচিংবশিংনা নুংশিবীবা, অরাপ্পা চৎপা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্ত ওইরগনি।
মহেৰোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**কন্যাঃ** থৌরমদি মায় পাক্লগনি। মতেং পীবীব, নুংশিবীবা য়াম্লগনি। চৎথোক চৎশিন্দা কান্নগনি। লম্লানবশিংনা নুংশিবীরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহেৰোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**তুলাঃ** থাগৎপা, মতেং পীবীবা, চানবীবা য়াম্লগনি। থবক অয়াম্বা মায় পাক্লগনি। শেল চঙবা, মিংচৎ হেনগৎপা, শীংথাবীবদা য়াওবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহেৰোয়শিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**বৃশ্চিকঃ** শাওদবা তফথবনা হেন্না ফরগনি। অকনবা ৰাহৈ শিজিন্নবা ফগনি। মমল য়াম্বা পোৎ চৈ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহেৰোয়শিংগী– ৰাখল চঙলোই।

**ধনুঃ** থবক থৌরমদা অফবা ফল ফংবা, মীথোই মীহেনবা, চানবীবা, নুংশিবীবা হেনগৎপা, চৎথোক চৎশিন্দা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহেৰোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**মকরঃ** নিংজরুবা খরা মায় পাকচবা, লম্লানবশিং, মকোক ওইবশিংনা চানবীবা অরাপ্পা চৎপা কান্নবা ইমুংদা শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত মান্নগনি।
মহেৰোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**কুম্ভঃ** য়েক্লবশিংনা চংজরকপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, চাংয়েংনবদা মায় পাকচবা, চৎথোক চৎশিন্দা অফবা ওইবা নুমিৎনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰাখল মান্নগনি।
মহেৰোয়শিংগী– হোৎননিংগনি।

**মীনঃ** মুক্লবা ৰাৰৌবা, শেল চৎপা কোক শাবা ওইরগনি। চঙজরকপা কনখৎলুগনু। গাড়ী তপ্পা থৌগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেৎনগনি।
মহেৰোয়শিংগী – ৰাখল চঙলোই।


## [illegible]/ DECLARATION

I passed the All-India Secondary School Examination, 2019 under the Central Board of Secondary Education (CBSE), with Roll No. 3136431, School-05069-JNV Pailapool, Assam. In the documents of the said Examination, the first name of me and my parents are written in short form "L" in lieu of Leiphrakpam. The two different first names 'L' School Certificate and Leiphrakpam of my other documents are same person who is myself and identity of one which is also known by the local.

I have declared the first names to be corrected in my School Certificate as (i) Name : Leiphrakpam Kishan Singh (ii) Mother's name : Leiphrakpam Dhaneshwori Devi and (iii) Father's name : Leiphrakpam Priyokumar Singh vide Affidavit before the Oath Commissioner, Jiribam, Manipur dated 21st September 2026.

Sd/-
**Leiphrakpam Kishan Singh**
Sorok Atingbi Khunou
Jiribam District, Manipur

*SL/Ath/01*

## [illegible]/ DECLARATION

I passed the Senior School Certificate Examination, 2021 under the Central Board of Secondary Education (CBSE), with Roll No. 16615482, School-39239-JNV Pailapool, Assam. In the documents of the said Examination, the first name of me and my parents are written in short form "L" in lieu of Leiphrakpam. The two different first names 'L' School Certificate and Leiphrakpam of my other documents are same person who is myself and identity of one which is also known by the local.

I have declared the first names to be corrected in my School Certificate as (i) Name : Leiphrakpam Kishan Singh (ii) Mother's name : Leiphrakpam Dhaneshwori Devi and (iii) Father's name : Leiphrakpam Priyokumar Singh vide Affidavit before the Oath Commissioner, Jiribam, Manipur dated 21st September 2026.

Sd/-
**Leiphrakpam Kishan Singh**
Sorok Atingbi Khunou
Jiribam District, Manipur

*SL/Ath/01*

[illegible]

## M/S BEE BRICK FIELD

Wangjing Sabal Checkon Leikai

## HEAVY DISCOUNT

| Class | Rate | No. Of Bricks | Total Amount | Trns./Labour Charge (Rs.) | Total (Rs.) |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st Class | 12.50 | 1,500 | 18,750 | 3,500 | 22,250 |
| | | 2,000 | 25,000 | 3,500 | 28,500 |
| 2nd Class | 12.00 | 1,500 | 18,000 | 3,500 | 21,500 |
| | | 2,000 | 24,000 | 3,500 | 27,500 |
| 1st Reject | 11.00 | 1,500 | 16,500 | 3,500 | 20,000 |
| | | 2,000 | 22,000 | 3,500 | 25,500 |
| Jhamat | 10.00 | 1,500 | 15,000 | 3,500 | 18,500 |
| | | 2,000 | 20,000 | 3,500 | 23,500 |
| 1st P.T. | 9.00 | 1,500 | 13,500 | 3,500 | 17,000 |
| | | 2,000 | 18,000 | 3,500 | 21,500 |
| 2nd P.T. | 8.00 | 1,500 | 12,000 | 3,500 | 15,500 |
| | | 2,000 | 16,000 | 3,500 | 19,500 |
| 3rd Class | 5.50 | 1,500 | 8,250 | 3,500 | 11,750 |
| | | 2,000 | 11,000 | 3,500 | 14,500 |
| 4th Class | 4.00 | 1,500 | 6,000 | 3,500 | 9,500 |
| | | 2,000 | 8,000 | 3,500 | 11,500 |
| 1st Checktek 407 | | | 4,500 | 3,500 | 8,000 |

Please Contact:
9366988039 / 7005134130

SL/Sush/6 Sep-6 Oct/alt


## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Evil Sana Suduku-1094**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | | 4 | 2 | | | | | 9 |
| 6 | 3 | | | 9 | | | 2 | |
| | 9 | | | 3 | | | | 6 |
| | | 6 | | | 3 | | 5 | |
| 5 | | 9 | | | | | 4 | |
| | 2 | | 6 | 4 | | 9 | | |
| | | 5 | 4 | | | 3 | | |
| | 4 | | | | 2 | 8 | | |
| 3 | | | | 6 | 9 | | | 4 |

সনা-সুদোকু-১০৯৪গী সোল্যুসন লমাই ৬তা

# ‘লৈঙাক্কী স্কুল, হোস্পিটালশিংদগী লনাইগীনা মাঙজিল থারিবসি লৈঙাক ফেল ওইরে তাকপনি’

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ (এস এন এস) ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙ, অনা লায়েংশঙগী লন্নাই মীওইশিংনা লিংখৎপা মহৈলোয়শঙ, অনা লায়েং শঙনা হেন্না মাঙজিল থারিবসি মতিক চাবা লৈঙাক লৈত্রে হায়বগী চপ চাবা খুদম্ অমা হায়না পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলেপালনা ফোঙদোক্লে।

পাংবা কাঙলুপ (এনআই এনটিপিকে)না শীন্দুনা চঙষ্ট উচেকলোন্দা লৈবা কোমেট স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখিবা ১৩০শুবা লময়ানবা ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরমদা সাপম কংলেপালনা হায়, লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙনা শোথরগা লন্নাই লিংখৎপা মহৈলোয়শঙনা মাঙজিল থারিবসি রেস্পোন্সিবল ওইবা মীয়ামগী লৈঙাক অমা লৈত্রে হায়বগী খুদম্নি। মসিগী তাঙ্কক অসিন্দি ঐখোয় ইশানা ইশাবু রেস্পোন্সিবল ওইবা সিটিজন অমা ওইনবা হোৎনগদি হায়বনা তুংলমচন্ লৈমা ইবেমচা অমা শেমগৎপা ঙমগনি। মদু নত্তনা শোয়রবা, দায়ত্ব য়াওনবা লৈঙাক্লেনগী তাঙ্কক্তা হিংলগদি খুন্নাই অসি হেন্না শোখরগনি। ঙসি মণিপুরদা খোল্লিবা ঈরাং অসিনা শেমখ্রোলোদগী হৌরগা লায়রবা মীয়ামদি খাং মথক্তা ট্রোরে, লোইশিনবা ঙমদনা লৈরি। মসি মতিক চাবা লুচিংবা লৈতবগী খুদম্নি। লময়ানবা ইরাবতসু নীংশিং লিবলি হায়দুনা হৈ-হৈ বরা কৎপা, থৌরম খরা পাঙথোকপনা মহাক্কী ৱাখল্লোন চেনবদি ওদ্রোই। লময়ানবা ইরাবতনা করি তৌরম্মী হায়বা কুপ্পা খঙলগা মহাক্কী খোঙ্গুল অদু লীগদবনি। মীচম মীয়ামগী ঈ চুক্কা, ভোটনা মরম ওইরগা ঐগী মীগী থারগনি মীয়ামদা মাল্লনবা মীহৈয়ে য়েলগা থবক তৌবা, ভোট মতমদা মীয়াম নুংশিবা শাবনদি অওনবা পুরকপা ওদ্রোই। হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংনা লাইরিকথক তরুগা মশা মশাগীদা ওইবা থবক তৌদনবা হোৎনস, খুন্নাইগী খনবা মহৈরোই।

থৌরমদুগী মরী লৈননা এন আই এন টি পি কেগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা সোসিয়েল ষ্টুদেন্ট্স য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম)না শীন্দুনা ক্লাস সিক্সতগী আইট অমদি নাইনদগী টুয়েন্ত ফাওবা কেটেগোরি অনী থাকপাদমক্তা তোঙান তোঙানবা থীমদা এসে কম্পিটিসন অমসু মহৈরোই ৩০০লোম হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা এস এস য়ু এমগী প্রসিদেন্ট এস য়াইমা, কোমেট স্কুলগী মেনেজর অরিবম হিমানন্দ, প্রিন্সিপাল থৌদাম দেবচন্দ্র, পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট হাওবিজম গীতাজেন্সু শরুক য়াখি।

# ‘ত্রোংলাওবীগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই ফাবা থাগৎলি, অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবীয়ু’

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ (এস এন এস) ঃ ত্রোংলাওবীগী অবাং লৈকাইদা লৈবা মীতৈগী য়ুম অমদা রোকেট কাপশিন্দুনা, মমাগী মতম্তা তুমজ্রিবা অঙাং অমদি অনীয় হাৎখিবা অমদি মমাবুনা তমথিনা শোকহনখিবা থৌদোকক অদুদা চেন্নবা মীওই ফাবা থাগৎলি, অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লু হায়না মেনেজমেন্ট কম্মিটি রিলীফ কেম্প, কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংগী কনভেনর নিংথৌজম অমর্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, থৌদোক্তুনা চেন্নবা কুকি টেরোরিষ্ট অমা মমাঙদা ফাউরবা মতুং হৌখিবা সেপ্তেম্বর ২৫দা ঙসি মীহাৎপা অমা এন আই এ না ফারে হায়বসি লৈবাক অসিগী লো ইনফোর্সিং এজেন্সিগী অচৌবা মাই পাকপা অমনি। পীক্লিবা অঙাং অনীবু হাৎপা অমদি মমাবুনা তমথিনা শোকহনখিবা থৌদোক্তা চেন্নরিবা কুকি টেরোরিষ্টশিং অসিগী মথক্তা লৈবাক অসিগী চপ চাবা ৱায়েল চথবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পুক্লিং চিংশিল্লক্লি।

লোয়ননা থৌদোক অসি থোকপা কুইরিংদৈ মতমদা লমদম অসিগী সোসিএল ৱার্কর চোংথাম বিজয়না থোকখিবা থৌদোক অদু মীতৈনা চৎখিবগী মওদা সোসিএল মেদিয়াদা লায়া পাউদমখিবশিং অদুনা লৈবাক মীয়ামদা চম্মহনবা কয়া থোকহনখি। হৌজিক্তি অশেংবা মীহাৎপা কনানো হায়বা খঙলবনিনা লৈঙাক অসিনা মখা তানা চেন্নরিবা মীওইশিং থিদোকপীদুনা লৈবাক অসিগী অচুম্বা ৱায়েল চথবীয়ু হায়নসু মণিপুর লৈঙাক্কী পুক্লিং চিংশিল্লক্লি।

# করাম বোনো তরান্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ (এস এন এস) ঃ হন্দক্তা আই এ এস ওইনা খল্লকপনা য়াওরকপ্রবা করাম বোনো সিংহবু তরান্না ওকপগী থৌরম অমা খাগেমপল্লি আইদিয়েল ক্লব (কে আই সি) খাগেমপল্লি পন্থক পনখা অমসুং সন্দ্রেঙ্গী মৈরা পায়বীনা খুৎশঙনা শীন্দুনা খাগেমপল্লি পনখাদা লৈবা লাইয়ুম মান্দপদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ক্লব অসিগী ভি পি মহৈম বিরেননা হায়, কে বোনো লৈকাই অসিদা ইং তম্বা, পুকচেল শেংবা, অফবা মী অমা ওইনা খঙনরিবা মীশকনি। মহাক্না হন্দক আই এ এস ওইনা খল্লকপা অসিমক মহাক্না হান্না তৌখিবা থবকশিংদা লৈঙাক্লো শকখঙবীদুনা মতিক চাই খন্না পীরকপনি। মহাক্না আই এ এস ওফিসর অমা ওইরকপা অসি লৈকাই অসিগী মায়নি। মতুং তারকপদা মহাক্না তৌরকপা থবক থৌরমশিংদা মায় পাকপা ওইদুনা লৈবাক মীয়াম অমসুং লৈকাই অসিগী চৌখৎ থৌরাং খুমাং চউশিনা থবক পায়খৎপা ঙম্না ওইরসনু।

কো বোনো মণিপুর সিভিল সার্ভিসেস (এম সি এস) ওফিসর অমা ওইনা লেরকপদগী থা অসিগী ১৮দা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অন্দর আই এ এস ওওর অমদা আই এ এস ৪ খল্লকপদা য়াওরকখিবনি।

তরান্না ওকপগী থৌরম অদুদা সন্দ্রেঙ্গী নূপী লুপকী প্রসিদেন্ট কোঙ্জেংবম সোরো অমসুং নৌনা আই এ এস খল্লক্লবা করাম বোনোনা থৌরমগী মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীগী মায়কৈদগী কে বেনোদা অচম্বা লেঙয়ান, বোকেট অমসুং মেমেন্টো পীদুনা ইকায় খুন্নবা উৎখি।

# চঙনা তিন্নবা য়াদবনা খ্বাইদগী চাওনা ...

*লময় ১গী মখা...* খনগদ্রা নত্রগা মচোই মচোই তারবা মণিপুরগী ফিবান ফোৎনবা হোৎনগদরা হায়বা তানফম অদুনি। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ ফুরুপশিং অমত্তা ওইনা কোনশিন্দুনা চৎতবা য়াদবা পুংফমনি। খুন দামিন্নরিবশিংগী মরক্তা চঙনা তিন্নবা য়াদবনা খ্বাইদগী চাওনা মাঙহল্লিবা অসি তম্পাক্তা লৈরিবা মীওইশিং খক্তনি। ইরাং অসিনা মরম ওইগা ষ্টেট অসিগী জি এস টি রেভিন্যুদা লুপা ক্রোর কয়া অমা মাঙহনখ্রবনি। বন্দ তৌবনা ষ্টেট অসিগী রেভেন্যুদা নোংমদা ক্রোর ২০দগীনা ২৫ ফাওবা মাঙহল্লি। মসি খঙনা তুংগী মীরোলগীদমক খল্লগা ইং তপ্পা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খূদিংমক্কা থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই।

মহাক্না হায়, ইরাং থোকপদগী কাংলুপ মশেলগী মরক্তা চঙথোক চঙশিন য়াদনা লৈরকখিবা অদু ষ্টেট অসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি লাকপদগী বস ট্রান্সপোর্ট ফাওবা অমুক হন্না থাবা হৌদুনা অওনবা কয়া লাকপগী মমি তারক্লি। তম্পাক্তা লৈরিবা মীওইশিংনা লমদম অসিগী অতোপ্পা মফমশিংদা চৎপা ঙমদদুনা লৈরকখিবা অদু চঙথোক চঙশিন য়াহন্নবা হায়দুনা লৈঙাক অসিনা অঙন্বা থাক্তা ৱারি শান্দুনা খোঙথাং কয়া পায়খৎলকখিবনি। অদুবু জিরিবামদা চৎতুনা কুকি, পাইতে অমদি মার ফুরুপকী মীওইশিংগা ইরাং মতুং দা অহানবা ওইনা ৱারি শান্নরুরবা মতুং ত্রোংলাওবীদা অপিকপা অঙাং অনীগী থৱায় মাঙহনবা য়াওনা থোকখিবা থৌদোক অদুমক লাইবক থীবনি। মসিমক্লা ঐখোয়গী মরক্তা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্তবা পামদবা মীওই খরা লৈরি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি। লৈবাক মীয়াম ৱাহল্লগা নুংঙাইবা মীওইশিং নোংমা শোয়দনা মশক খঙলকখিগনি। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিদগী ঐখোয় পূন্না চেকশিনমিন্নসি হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল থম্লদুনা কৈশামথোং এ সিগী এম এল এ নিসিকান্ত সাপমনা হায়, লময়ানবা হিজম ইরাবতনা মণিপুর মীয়ামগীদমক মঙলম্বা মঙলান অদু ঐখোয় পূন্নমক্না নীংশিংমিন্নসি। লুচিংবা অসিগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকপা খক্তা নত্তনা মহাক্না খল্লম্বা ৱাখল্লোন অদু ঐখোয়খ খূদিংমক্তা চেন্নবা হোৎনসি। লাক্লিংবা লাক্লবসু মণিপুরী কায়হনবা শুকয়া য়ারোই। মণিপুর কায়বদা মাঙজগদৌরিবা অসি খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ ফুরুপ খুদিংমক্কি হায়বসি কাওরোইসি হায়খি।

# যীশু খুরুম্বনা অয়ুক্কী শীন্থা হৌদোক্লগা...

*লময় ১গী মখা...* ফোঙদোকখ্রে। ৱাফম অসি ঙসি জননেতা হিজম ইরাবত বার্থদে সেলেব্রেসন কম্মিটি (জে ঐচ বি সি সি)না শীন্দুনা য়াইস্কুলদা লৈবা পুলিস লাইনগী মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু) হোলদা জননেতা হিজম ইরাবতকী ১৩০ শুবা মপোক নুমিৎ পালন থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরমদা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর রাধাবিনোদ কোইজমনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা রাধাবিনোদ কোইজমনা হায়, নাগাগী গ্রেটর নাগালিমগী ৱাখল শাগত্তুনা লমদম অসিগী চীংগী দিষ্ট্রিক্ট পূম্বা নাগানা মপু ঙাক্তনি হায়রি। অদুবু চীংদা খুন দা লৈতাদুনা লৈরিবা কুকিশিংনা চীংগী মফমশিং অসিবু কুকিগীনি হায়দুনা ঙসি ফাওবা শক শোন্দুনা লৈরি। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা অসিগুম্বা খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং অসিনা কৈদৌঙৈদা ইং-তপ্পা পুরকপা ঙম্লোই। অমনা অমবু চিংথনবা অমদি নাইতোম তানবা হোৎনবা অসিনা মখা তানা চত্থদুনা লৈরগদি অমত্তা ওইনা পুনশিনবা খক য়ারোই। মীতৈশিংনা নাগাগী গ্রেটর নাগালিমগী দিমান্দ থিংনবা হোৎনরিঙৈ তুং লোমদগী কুকিশিংনা কুকিলেন্দ তান্নবা হৌখিবা লীশাং শিংনা হোৎনরকখিবা থবক থৌওংশিং অসি ঐখোয়না খঙবা ঙমহৌখিদে। অদুবু ২০২৩গী মে ৩দগী লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনা মথৱায় পামুবা খঙদনা লমদম অসিগী ঙমখৈ ঙাক্লবা লৌখৎখিবা থৌদাং অদুনা মরম ওইরগা লমদম অসিগী ঙমখৈ ঙসি ফাওবা ঙাক্তুনা থম্বা ঙম্বনি হায়না রাধাবিনোদ কোইজমনা ফোঙদোকখি।

# এম এল এ ৬কী খূৎয়েক ...

*লময় ১গী মখা...* চেরোল অদুনা হায়, জে এফ দি মণিপুনা নো এন আর সি নো সেন্সসকী চঙশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা জে এফ দি ৱুমেন ৱিংনা চঙশিনবা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতসু এম এল এশিংদা পোইন্ট ৫ য়াওবা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা খোঙজং অসিগী মতাংদা এম এল এশিংগী ফিরেপ খঙদোকপগী কেম্পেইন চত্থখি। কেম্পেইন অসিগী মনুং চন্না নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন্স (এন আর সি), ১৯৫১ অপদেট তৌদুনা মীতোপ খন্দোক্ত্রি ফাওবা মণিপুর ষ্টেটতা সেন্সস ওপরেসন তৌহন্দনবা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মপুং ফানা সপ্পোর্ট তৌই হায়বা ৱারোল য়াওবা দিক্লারেসন পেপর ফোর্মেট অমসু এম এল এশিংদা পীশিনখি।

ঙসি নীনিচনবা নুমিৎতা উন্নখিবা এম এল এশিং অদুদি ৪-ক্ষেত্রিগাও এ সিগী এম এল এ সৈখ নুরুল হাসন, ১৯-পাৎশোই এ সিগী এম এল সাপম কুঞ্জকেশ্বর (কেবা) সিংহ অমদি ২৯কুম্বী এ সিগী এম এল এ সনসম প্রেমচন্দ্র সিংহনি। ঙসি মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা ইশু অসিগী মতাংদা এম এল এগী ফিরেপ হায়বিনবা তকশিনখিবা অদুদা এম এল এশিংনা ইশু অসি মপুং ফানা সপ্পোর্ট তৌই হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা সপ্পোর্ট তৌই হায়বগী ৱারোলদা খূৎয়েক পীরক্লবা এম এল এশিং অসিগী মনুংদা ৮-লন্নাই এ সিগী এম এল এ খোংবানতাবম ইবোমচা, ৬-কৈরাও এ সিগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বর, ২০-লংথবাল এ সিগী এম এল এ করাম শ্যাম, ৪-ক্ষেত্রিগাও এ সিগী এম এল এ সৈখ নুরুল হাসন, ১৯-পাৎশোই এ সিগী এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশ্বর অমদি ২৯-কুম্বী এ সিগী এম এল এ সনসম প্রেমচন্দ্র সিংহনি হায়রি।

# দ্রোন বোম য়াওনা খুৎলায় কয়া...

*লময় ১গী মখা...*কন্ত্রিমেদ দ্রোন বোম ১, আই ই দি ৬, তোঙান-তোঙানবা নোংমৈশিংগী মেগজিন ৫, কাপ্পা য়ারিবা তোঙান-তোঙানবা নোংমৈশিংগী মরু ফংবা ঙমখিবনি।

নাকল অমরোমদা, চান্দেল পুলিস অমদি অসাম রাইফলসনা মোলচাম পি এসনা কোনবা মফমশিংদা থীবা হুম্বগী থবক চথবদা খুলায় ফংবা ঙমখ্রে। খুৎলায়শিং অদুদি এস বি এম এল নোংমৈ ৩, পোম্পি ১, চাইনিজ গ্রেনেদ ১, লোকেল মেদ গ্রেনেদ ১, দম্মি মোর্টার ৪, দিটোনেটর ৪, দিলে ফ্যুজ ২, আই ই দি ১, পাউচ ৮, বাউফিং সেট ১, ৫.৫৬ এম এম এম ৪১৬ রাউন ১, ৯ এম এম রাউন ১, বুলেট প্রুফ কোভর ২ ফংবা ঙমখিবনি।

# ফার্মাসিগী লমদা অহেনবা মীৎয়েং ...

*লময় ১গী মখা...* নোংমগী ওইবা ফেকলটি দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগা মরী লৈননা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুগা মরী লৈনননা প্রোফেসর জয়কুমারনা হায়, য়ুনিভর্সিটি অসি কা হেন্না লাইরবা য়ুনিভর্সিটি অমা নত্তে, হৌরকপদা ঙাইরিবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরি অদুম ওইনমক ষ্টেট অসিদা ফার্মাসিট্যুকেল কোলেজ ১০ অমুক লৈবা অসিগী মনুংদা ফার্মাসিট্যুকেল কাউন্সিলনা ইন্সপেক্সন লাকপা অসিদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ফার্মাসিট্যুকেল কোলেজ অসিবু থাক ৱাংনা অফবা কোলেজ অমনি হায়না হায়বিরম্বা অসিমক লাইবক ফবনি অমদি পুন্সিদা মায় পাকপগী অচৌবা মমি অমনি। লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি অসিদা লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমদি ফার্মাসিট্যুকেলগী ওইনসু চপ চানা থম্বা ঙন্নবা থৌরাং তৌরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ওক্টোবর ২গী ট্রাফিক এদভাইজরি...

*লময় ১গী মখা...*ট্রাফ্রিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিংগী এস পি চিফাং সেসেলিয়া সোপেমলানা থোরকপা এদভাইজরি অদুনা হায়, নিত্যাইপাৎ চুথেক্তগী কাংলা ৱেষ্টর্ন গেট চৎপা গাড়ীশিং কৈশাম্পাৎ নত্রগা শঞ্জেন্থোংগী জেনরেল পোষ্ট ওফিস (জি পি ও) রোমদা, নোর্থ এ ও সিদগী লাকপা গাড়ীশিং খুয়াথোংদা, এম জি এভেন্যুদগী কংলা ৱেষ্টর্ন গেট তন্না লাকপা গাড়ীশিং এল আই সি ক্রোসিং অদুগা উরিপোক মায়কৈদগী কংলা তন্না লাকপা গাড়ীশিং নাগামপাল নত্রগা ৱাহেংবম লৈকাই তন্না দাইভর্সন তৌরগনি হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

# হোজাইদসু ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ (এস এন এস) ঃ অপুনবা মৈরা পায়বী লুপ হোজাইনা শীন্দুনা হোজাই পরিষদ শঙলেনদা লময়ানবা জননেতা হিজম ইরাবতকী ১৩০ শুবা মপোক নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অপুনবা মৈরা পায়বী লুপ হোজাইগী প্রসিদেন্ট বি পদ্মবতি, মণিপুর সাহিত্য পরিষদ হোজাই দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট তেনশম মণিহার, মণিপুর দিভলপমেন্ট কাউন্সিল অসামগী মেম্বর এল অথম, উমা অসামগী প্রসিদেন্ট এল শরৎ, মণিপুর কলচর এন্দ স্পোর্টস দিভলপমেন্ট কাউন্সিল অসামগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ নবদ্বিপ, অপুনবা মৈরা পায়বী লুপ ব্রহ্মপুত্র ভেল্লিগী জেনরেল সেক্রেটরী মোহমলনা মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, হোজাই নংদপুরদা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১৩০ শুবা মপোক নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। বিনোদবিহারি অমদি নন্দরানীনা ইরাবত এরার্দ পীখ্রে।

ও এন রাই সি, ওকসু সিং খেমচাখুলনা শীন্দুনা নুমিৎ ৬নি চুপ্পা চথরকপা সোসিয়েল সার্ভিস কেম্প ঙসি লোইশিনখিবগী লোয়ননা ১৩০ শুবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লন্নাই এ সিগী এম এল এ খোংবান্তবম ইবোমচা, ভি দি সি প্রসিদেন্ট লুক্রাম লোকেন, তেলহৌ চনা শেঙ্গাং জেদ পিগী হান্নগী মেম্বর অমোম জামিনি, এদমিনিস্ট্রেসন কম্মিটি নোঙ্গ্রেন চীনুংকোক জি পিগী চেয়রপার্সন মায়াংলম্বম বিলাসিনীনচিংবা মরুওইবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

রোদসাইদ ভেন্দরস রেলফিয়র এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ১৩০ শুবা জননেতা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম এশুবা স্থাইস্বন্দ কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কৈথেল ফম্বী ইমাশিংনা ইরাবতকী মিতমদা লৈ-শু কত্তুনা ইকায় খুন্নবা উৎখি।

# সোরেপাগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা...

*লময় ১গী মখা...* অসিবু মীয়ামদা লেপ্পা লৈতনা মীচং মীখাই নাইদনা অচুম্বা পাউদম য়ৌহনবিরিবা পাউচেগী শঙলুপশিং, লান্থেং অসিবু নৈনদুনা খঙহল্লিবা ওঝা মাইচৌ, মাইনৌশিং, হনবা লৈত্রবা মীয়ামগী লান্থেং মরক্তা মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা হোৎনরিবা দোক্তর, নর্স, হকশেল লোয়শঙশিং, মীয়াম্বু ঙাক শেনবিদুনা অচুম্বা লান্থেং অমা মীয়ামগী মাং থাদুনা পুরিবা লমদমসিগী ইমাশিং নহারোল, মহৈরোয়শিং পুম্নমক্কী মফমদা সোরেপানা য়াওলগী ইকায়খুন্নবা পীজরি। কংলৈপাক / মণিপুর অমসুং ৱেসিয়া লমদমগী য়াওল্লুপশিং অমসুং ইন্দিয়াগী লোয় লৈঙাক চথরিবা কাশ্মির অমসুং খালিস্তানগী য়াওল্লুপশিং, খা এসিয়া অমসুং খা নোংপোক এসিয়াদা মান্নবা খুন্নাই পুরক্লবা লেপ্তুনা লান্থেংনরিবা য়াওল্লুপ পুম্নমক্তা য়াওলগী য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়রি। (মথং মথং)

# থকশি খাসি লৈবা অনৌবা মীরোলগী ...

*লময় ১গী মখা...*লৈবা খোঙমন মাঙজিল কম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা য়ু এন এল এফকী হান্নগী চেয়রমেন নিংথেমচা সনায়াইমনা মখা তানা হায়, লময়ানবা হিজম ইরাবত অসি কুমজা ১৮৯৬কী সেপ্টেম্বর ৩০দা পোকখিবনি। লোয়ননা কুমজা ১৯৫১গী সেপ্টেম্বর ২৬তা লৈখিদবনি। মহাক্কী পুন্সি অসি য়ান্না ফিদমনিংঙাই ওই। লময়ানবা অসিগী ৱাখল্লোন অদু খোঙ্গুল লীদুনা লময়ানবা হিজম ইরাবত নিংশিং লুপনা মহাক্কী মপোক কুমওন থৌরম ঙসি লৈকাই অসিদা পাঙথোক্লিবা অসি অফবা খোঙথাংনি। লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওনগী থৌরম অসি লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চহী খূদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লদুনা লাক্লি, মসি তৌফম থোকপা অমনি। অদুবু লময়ানবা অসিগী নীংশিং থৌরম খক পাঙথোকপনা হিজম ইরাবতনা শাগৎলম্বা ৱাখল্লোন অমদি মহাক্না শেম্বা পাল্লম্বা লৈবাক খুন্নাই অদুদি শাগৎপা ঙমগনি থাজদে। মহাক্কী ৱাখল্লোন অমদি মহাক্না শেম্বা পাল্লম্বা মীনা মীবু তুহৎতবা, কাংলুপ অমনা কাংলুপ অমবু তুহৎতবা অমদি লৈবাক অমনা লৈবাক অমবু নমথবা লৈতবা ৱাখল্লোন পরিং অদুদা অনৌবা মীরোল, ৱাখল তাবা নহাশিং শেমগৎপা অমদি থকশি খাসি লৈবা খুন্নাই অমা শেন্নবা হোৎনবা চঙই হায়না মহাক্না মখা তাখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা নিংথেমচা সনায়াইমনা লুচিংদুনা লময়ানবা হিজম ইরাবতগী ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুন্নবা উৎখি।

# য়ুনাক্কো স্কুল চনুংদা লিগেল এৱার্নেস ...

*লময় ১গী মখা...* শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংদা ইন্দিয়ান লিগেল সিষ্টম অমদি লো খঙবা, মশাগী থৌদাং মশক খঙবা সিটিজেন্ট অমমম ওইনবগী মতাংদা খুদম চাংদম কয়া য়াওনা এৱার্নেস পীখি। লোয়ননা ইন্দিয়া হায়রিবা লৈবাক অসি রুল ওফ লোগী মতেংনা চলাইবা লৈবাক অমনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিমক অমদি সোসাইটি অসিদা চৎনরিবা লোনচৎ-শাজৎকা লোয়ননা এদ্যুকেসন, এগজামিনেসন অমদি থৌরমশিং লিগেল ফ্রেম অমগী মনুংচন্না থবক তৌবা ঙাক্তনি। লো খঙবা হায়বসি য়ান্না মরুওই অমদি লো খঙদে হায়দুনা লো থুগায়বদি য়ারোই হায়খি।

লোয়ননা অদুদা মহাক্না চাইল্দ প্রোটেক্সন লোগী মতাংদা শুগায়না তাক্তুনা চহী ১৮ গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংগা মরি লৈনবা লোশিং খঙহনখি। প্রোটেক্সন ওফ চিলড্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্স (পোকসো) এক্টনা পীরিবা ঙাক্লৌশিংগী মতাংদসু মচা খায়না খঙহনখি। মখোয়গী মথক্তা পামদা থৌদোক থোক্লবদি টিচর, পেরেন্টস, থাজবা য়াবা অহলশিং অমদি মরি লৈনবা ওঠোরিটিশিংদা তাক্কদবনি। লোয়ননা লৈরিবা চাইল্দ হেল্পলাইন ১০৯৮ দা পাউ পীগদবনি। লোয়ননা চাইল্দ মেরিএজগী মতাংদসু লোগী লৈরিবা মচৎশিংসু খঙজিনগদবনি হায়খি।

লিগেল এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা রিসোর্ছ পার্সন ওইনা শরুক য়ারদুনা এদভোকেট চোংথাম মোমোননা হায়, ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনদা লৈবাক অসিগী ওইনা লোবু খ্বাইদগী ৱাংবা মফমদা থম্মী। লোয়ননা ফন্দামেন্টেল রাইট করিনো, হ্যুমেন বিহেবিয়ার অমদি ফন্দামেন্টেল দ্যুটিগী মতাংদসু খঙহনবগা লোয়ননা আর্টিকল ১৪ না পীরিবা ইক্বেলিটিনচিংবগী মতাংদসু এৱার্নেস পীখি। প্রোটেক্সন ওফ ৱিমেন ফ্রোম দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স এক্ট অমদি জুবেনাইল জষ্টিস (ক্যের এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিলড্রেন) এক্ট ২০১৫গী মরমদসু শুগায়না মহৈরোয়শিংদা তাকপী তন্বিখি। থৌরম অদুগী মনুংচন্না শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিং অমদি লিগেল এক্সপার্টশিং অদুগা ইন্টরেক্সন তৌদুনা লোগী মতাংদা পুন্না খঙমিন্নখি। ঙসিগী লিগেল এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা য়ুনাক্কো স্কুল চনুংগী প্রিন্সিপাল পি সুরচন্দ্র অমদি টিচিং ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

# মালেমদা মশক তাকপদা কলচরনা ...

*লময় ১গী মখা...* আর্টিষ্টশিংগী মথক্তা অকি অখঙ পীবগী থৌওংশিং চথবিগনু। লমদম অসিগী কলচর য়োকখৎনবা হোৎনবদা আর্টিষ্টশিংদা থৌনা হাপমিন্নসি। মণিপুরগী কলচর অসি মালেম পূম্বদা শকখঙনবগী চাং হেনগৎলক্লি। ইন্দিয়াগী ফিল্মদা ফাওবা মণিপুরী কলচরগী মশক মতৌ উৎপা য়াওরক্লিবনি। ষ্টেট অসিগী তাঙলবা কলচরেল হেরিটেজ অমদি থিয়েটর য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরমখিবা মণিপুরগী আর্টিষ্টশিংবু ঐখোয়না শকখঙবিবা চঙই। মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা লমদম অসিগী মশক নাইরবা আর্টিষ্ট কয়ানা কখোকপগা লোয়ননা থৌদাং লৌরকখিবনি। মসি পূন্নমক ঐখোয় খূদিংমক্না কাওফম থোক্তে। লমদম অসিদা হিংমিন্নরিবা কংলুপ ফুরুপশিংগী মরক্তা ইং তপ্পা অমদি তঙদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবদা আর্টিষ্টশিংনসু অঙন্বা থৌদাং লৌবা চঙই। কলচরেল এক্টিভিষ্টশিংনা কখোকপগা লোয়ননা দিসিপ্লিন লৈবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মশক নাইরবা থিয়েটর পার্সোনেলিটি অমসু ওইরিবী পদ্মশ্রি এৱার্দি সাবিত্রি হৈস্নামনসু মণিপুরদা থিয়েটর তৌরিবা আর্টিষ্টশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমসুং ষ্টেট অসিদা লৈরিবা কাইথ মন্থরক্লবা থিয়েটর হোলশিং শেমজিনবিনবগী মতাংদা লৈঙাক্কী পুক্লিং চিংশিল্লদুনা মরু ওইবা ৱাফম কয়া থমখি।

থিয়েটর সো হৌদোকপগী থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা লাইরেনময়ুম ইবুঙোহলনা ইরম্বা পিপলস আর্ট এন্দ দেমোক্রেটিক এসোসিয়েসন ইম্ফাল ইষ্টকী আর্টিষ্টশিংনা শান্নবা ‘নরসিংহ (অৱা ঙম্বা)’ হায়না মিংথোনবা প্লে অমসু মীয়ামদা উৎখি।

# ডা. লাইশ্রম রঞ্জিতানা মণিপুরগী...

*লময় ১গী মখা...* মচানুপী ডা. লাইশ্রম রঞ্জিতানা চেন্নাইদা লৈবা এপোলো হোস্পিটালদা ডা. এনবি ন্যুরোসর্জরি ট্রেনিং অসি লোইরকখিবনি। নেসনেল বোর্দ ওফ এগজামিনেসন ইন মেদিকেল সাইন্সেসকী মখাদা হোস্পিটাল অসিদা ২০২০গী সেপ্টেম্বর ১৫দগী হৌখিবা কোর্স চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১৪দা চহী ৬ চঙনা মায় পাক্না লোইশিনখিবনি। মহাক্কী মায় পাকপা অসিনা মণিপুরগী স্পিসিয়েলাইজ মেদিকেল এজুকেসনদা অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইবগা লোয়ননা মহাক হৌজিক হৌজিক মেদিকেল দাইরেক্টোরেট, পি জি পুল মণিপুরদা সেনিয়র মেদিকেল ওফিসার ওইনা থৌ পুবা হৌখ্রে হায়রি।

# মনা লাম্থোকখ্রে...

*লময় ১গী মখা...* ৱাংখৈ এ সিগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমার, মণিপুর ষ্টেট সোসিয়েল ৱেলফেয়র বোর্দকী হান্নগী চেয়রপার্সন আর কে নায়নসনা, সাথৌ লুপকী প্রসিদেন্ট অমর্জিৎ য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# লময়ানবা ইরাবতকী কখোকপা...

*লময় ১গী মখা...* লময়ানবা ইরাবতনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাকখিবনি হায়খি। থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর খুরাইজম লোকেন, এম এল এ জয়কিসন, সাপম কুঞ্জকেশ্বর, করাম শ্যাম, থোঙাম শান্তি, সনসম প্রেমচন্দ্র, থোকচোম রাধেশ্যাম, ময়াংলম্বম রামেশ্বর, ডা. উশম দেবেন, থাংজম অরুনকুমার, সোরোখাইবম রাজেন, হান্নগী এম পি ডা. আরকুমার রঞ্জন, ডা. লোরহো এস ফোজে, চীফ সেক্রেটরি রজিব সিংহ থাকুর, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নার ময়াংলম্বম রাজকুমার শরুক য়াখি।

# খুন্নাইনা হেন্না মরু ওই হায়বা ইরাবতকী...

*লময় ১গী মখা...* হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী প্রসিদেন্ট শোরোকখাইবম সঞ্জয়না ফোঙদোকখ্রে।

অমুকোনা শিন্দুনা থাংবৈন্দ চৈরাও চীংদা লৈবা অথৌবশিংগী খুভমদা খিল্লিবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মীতমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা লুচিংবা অসিগী মপোক কুমওন থৌরমদা সোরোখাইবম সঞ্জয়না মখা তানা হায়, অওনবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা লময়ানবা হিজম ইরাবতনা পোলিটিক্সতগী হৌরগা কলচর, শান্ন খোৎনবা অমদি য়াওলগী লমদা লৌরম্বা থৌদাংশিং শিংথাবদা লোয়বা নাইরোই। পুন্সিগী অরোইবা তাঙ্কক ফাওবা খুন্নাইনা হেন্না মরুওই হায়না কখোকখিবা লুচিংবা অসি ঙসিগী মীরোলনা কাওফম থোক্তে। মশাগী ক্লাস ৫ তন্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মহৈরোইশিংগী হক কঞ্জনবা ইহৌ হৌদুনা মাই পাকপা পুরকখিবা মীশক অসি মালেম মীয়ান্না ইকাই খুন্নফম থোকই হায়খি। মহাক্না মখা তানা হায়, বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্কী মায়োক্তা লেপ্তুনা লৌমী-শিন্মী অমদি নুপীশিংগী হক তাল্লম্বা, মণিপুরদা থোকখিবা নুপী লাল অনীমক্তা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীশকনি। মণিপুর খুন্নাইগীদমক্তা মহাক্না লৌরম্বা থৌদাং পাংলম্বা শিন্থা অদুনা ঙসিগী মীরোলনা মহাকপু শক্ন-শোন্নরকপনি, লুচিংবা অসিনা চৎলম্বা লিক্লম ঙাক্লা চৎতুনা অওনবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা অমুকোনা মাঙ থাদুনা চঙশিনগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক কৈথেলদা লৈবা সোসিয়েল কলচরেল এদুকেসেন এন্দ স্পোর্ট স দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা শিল্লগা চহী খুদিংগী পাঙথোক্লগা লাকপগুম লময়ানবা ইরাবতকী ১৩০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

হৈরোক কৈথেলগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী মনুং চন্না ক্লব অসিনা শিল্লগা পাঙথোকখিবা ১৯ লক শুবা ওল হৈরোক ইন্তর স্কুল লিটরেরি মিট ২০২৬ কী মকোক মথং তাখ্রবশিংদসু মনা মথুম য়েন্থোকখি। ৱাইদ-এঙ্গল সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন ওফিস, সগোলবন্দ মোইরাং হনুবনসু লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১৩০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট অরাম্বম সুর্জকুমারনা চিফ গেষ্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট সমানন্দা ফৈরোইজমনা থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট অমসুং মোন্টু অহন্থেমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

তোঙান তোঙানবা খুল ১৮ গী অঙাংশিংনা প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াবগা লোয়ননা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুন্নবা উৎখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না পেত্রিওতিক সোং অমসুং কলচরেল দান্স পাঙথোকপা য়াওনা হিজম ইরাবতকী পুন্সি ৱারী অমসুং মহাক্না পীরম্বা কন্ত্রিব্যুসন কয়াগী মতাংদা স্লাইদ প্রজেন্তেসন অমসু উৎখি।

ইরাবত ফাউন্দেসন কম্মিটি কোন্থৌজম লাইরেম্বী লৈকায়নসু ঙসি লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১৩০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

# মৈরৈবাক নুংশিদবা, মীয়ামগী অৱাবা ...

*লময় ১গী মখা...*
মশিং য়াল্লবা মীয়ান্না পিশুমদা লৈবা লময়ানবগী মীতমদা লৈ কৎপা লোইরগা হাওবম মরক তন্না মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমসু চৎখি। খোঙচৎ অদুনা হাওবম মরক য়ৌরক্লগা মফম অদুদা লময়ানবা ইরাবতকী ফোটোদা লৈ-শু কৎখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহেশ্বর থৌনাওজমনা হায়, ঙসি লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১৩০ শুবা মপোক কুমওননা লাকপদা মণিপুরদা থোক্লিবা তঙদু লৈতাদবা, চরাংনরিবা ময়াম অসি লোইশিন্দুনা তঙদু লৈতাবা হঞ্জিল্লকপা ওইরসনু। লময়ানবা ইরাবতনা হিংলিঙৈ মতমদা লৈবাক্কীদমক কখোল্লম্বা, মণিপুরবু লম কয়াদা পুখৎনবা হোৎনরম্মী। মহাক্কী কখোকপা অমসুং থৌনা লিংজেল কয়া অদুগী মতৌ ঙসিগী মীরোল মরু ওইনা মীহুৎশিংনা মতৌ তম্বা চঙই। ঙসি মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা লৈরিবশিংনা মণিপুরনা মৈ চাক্লিঙৈ তুমিন্না লৈশিনবা, মীয়ান্না অৱাবা তারবা মতমদা লোৎলগা লৈবা, মশাগী থৌনা লিংজেল পুথোক্তুনা লৈবাক কন্নবা হোৎনগে হায়বগী ৱাখল্লোন খন্দবশিং অসিনা ঙসি লময়ানবগী নুমিৎ অসিদা মহাকপু নুংশিংদুনা হে-লৈ কৎলিবা লময়ানবা ইরাবতনা হরাওবগী মহুৎতা ৱারৌরমগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, ঙসিগী মীহুৎশিংনা মীয়ামগীদমক থবক তৌগে মীয়াম্বু য়ানবা চৎকে হায়বগী ৱাখল্লোন নত্তনা হায় কম্মান্দ য়ানবা চৎতুনা লৈবা অসিমক খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। হৌজিক লৈবাক ঙাক্তুনা লৈরিবা মীহুৎশিংনা মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা লৈবাক কন্নবা হোৎনরকপা মতমদা লময়ানবা ইরাবতনা পালম্বা অমসুং মঙলম্বা মঙলানশিং অদু মায় পাক্না থবক্তা ওন্থোকপা ঙমগদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# মণিপুর মতম ঈশৈ চহী ১০০ শুরকপগী...

*লময় ১গী মখা...* থৌরম অদুগা মরী লৈননা পদ্মশ্রী এৱার্দি অরিবম শ্যামনা হায়, কুমজা ১৯২৫তগী হৌনা মতম ঈশৈগী ঈথিল অমদি ঈনোৎ পীরকপা হৌরকখিবনি হায়না লৌই। খুন্নাইগী অহোংবা কয়া মতম ঈশৈগী খূথাংদা উখোক্তুনা লাক্লি। মতম ঈশৈ হায়বসি অওনবা নাইরগা হেন্না মতিক ময়াই হাপকৎলক্কনি হায়খি।

থৌরমগা মরী লৈননা অম্মিক্কী সেক্রেটরী কে বোবিননা হায়, অম্মিক্কী সেনিয়র আর্টিষ্ট অমা ঈশৈ শৈফমশিংদা ঈশৈ শকপা য়াওদ্রবদি ঈশৈগী থৌরম পাঙথোকপীগনু। ঈশৈ শৈফম খূদিংমক নুমিদাং পুং ১০.৩০দা লোইশিনবীয়ু হায়খি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না রুপ রাগগী অরিবা আর্টিষ্ট হাওবম চাউবা মীয়ান্না ধুলকি চাউবা হায়না খঙনবা অসিদা লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ লাম্থোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা লাইওইখ্রবা মতম ঈশৈগী লময়ানবা লময়ানবীশিংদা লৈ-শু কত্তুনা ইকায় খুন্নবা উৎখি।

# লৈবাক্কী য়াইফনবগীদমক ৱাখল...

*লময় ১গী মখা...* লম্বোইখোঙনাংখোঙ লম্পাকতা পাঙথোকখিবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী নীংশিং কুমওনগা মরী লৈননা এম পি বিমোলনা হায়, লময়ানবা অসিদা ঐখোয়না হে-লৈখক কৎলগা লোইশিনগদৌরিব্রা? ঐখোয়না মহাকপু নীংশিংলিবা অসি মহাক্কী মতিক ময়াই লৈবা ৱাখল্লোন অমসুং মহাক্না লৌরম্বা থৌদাংশিং অদুবুনি। মহাক্না লাইওইদুনা মীয়ামগী মরক্তগী লাপখ্রবসু মীয়ামগীদমক্তা লৌরম্বা থৌদাং অদুনা ঙসি ফাওবা অমদি তুং কোয়না নীশিং হন্দুনা লৈগদৌরিবনি।

মহাক কোনুংগী চৈরাপকী ফম পায়রমখিবা অদুদা নুংঙাইথোক্লা হিংবা য়ারবনি। অদুবু পুন্নমক থাদোক্লগা লমদম অসিগী তোল্ল-তারবা, নমথবীরবা খুন্নাই অসিগীদমক থবক তৌগনি হায়না লেপখিবা অমদি লৈবাক্কী ফন্নাইবশিংগা মুক্লখিবা লুচিংবা অমনি। মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা খুন্নাই হান্না খনবা ঙম্বা অদুগুম্বা ৱাখল্লোনশিং অদুবুনি ঙসিসু নীংশিংদুনা লৈরিবসি। মসিগুম্বা ৱাখল্লোনশিং অসি হৌজিক হৌজিক মথৌ তারব্রা খল্লি।

ঙসি ঐখোয়না ইরাবতকুম্বা লুচিংবা অমা লমদম অসিদা মথৌ তাই হায়নরিবা অসি লুচিংবা অদুগুন্না মতিক ময়াই লৈবা ৱাখল্লোন খন্দুনা খুন্নাই অসিবু মাঙলোমদা পুখৎপা ঙম্বা মীওই অদুনি। ইশা ইশানা ইশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা খুন্নাইগী খনবা ঙল্লবা মতমদা লমদম অসিদা অওনবা পুরকপা ঙমগনি হায়খি।

# ইরাবতনা পামজরম্বা মান্নবা ...

*লময় ১গী মখা...*চীফ পেত্রোন মাইবম কদম্বীনি অমদি মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট হৱাইবম বুধিনা মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা স্কুল ৩০রোমগী মহৈরোইশিংনা সি সি হায়র সেকেন্দরী স্কুলদগী মার্চ পাস লাক্তুনা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন মমাঙদা ইরাবতকী মিতমদা সেলুট পীখি।

# ইন্দিয়া ব্লোককী মীফমনা 'সেফ দেমোক্রেসি' হায়না মিংথোন্দুনা ইলেক্সন কম্মিসনগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে




ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সি): লৈবাক অসিদা পাঙথোকখিবা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর) অদু কনষ্টিট্যুসনগী ৱাংমদা পাঙথোকখি হায়না মরাল শীরদুনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ ইলেক্সন কমিস্নার জ্ঞানেস কুমার মফম লৌথোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌরদুনা ইন্দিয়া ব্লোককী মীফমনা লাক্লিবা ওক্টোবর ২দগী হৌদুনা ৮ ফাওবা লৈবাক অসিদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ওফিসকী মাঙদা অকনবা মওংদা খোঙজং চংশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মকোকথোংবা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা পুং অহুমখায়রোম চুপ্পা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া ব্লোককী মীফম অদুদা কোংগ্রেস পার্টিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট মাল্লিকার্জুন খরগে, সোনিয়া গান্ধী, রাহুল গান্ধী, টি এম সিগী চীফ মমতা বেনর্জি, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী চীফ মিনিষ্টর ওমর অবদুল্লাহ, আর জে দিগী টেজাস্বি যাদব, এন সি পি (এস পি)গী এম পি সুপ্রিয়া সুলেনচিংবা তোঙান তোঙানবা ওপোজিসন পার্টিগী মকোকথোংবা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

এস আই আরগী মতাংদা লৈবাক ৱাথোক ওইরিবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মরুওইবা ইসু কয়া মীফম অদুদা মকোক থোংবা লুচিংবা কয়ানা পুথোক্তুনা খন্ন-নৈনখি হায়রি।

মীফম পাঙথোকপা লোইরবা মতুং পাউমীশিংগা উন্নবদা কোংগ্রেস পার্টিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট মাল্লিকর্জুন খরগেন হায়, ইন্দিয়া ব্লোককী মায়কৈদগী 'সেফ দেমোক্রেসি' হায়না মিংথোনবা ইনখৎলক্লিবা নহারোল অমদি এন জি ওশিংনা শরুক য়াদুনা লাক্লিবা ওক্টোবর ২দগী হৌদুনা ওক্টোবর ৮ ফাওবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ওফিসশিং মমাঙদা খোঙজং চংশিন্নবগী ৱারেপ লৌরে। অসিদা নৎতনা লাক্লিবা ওক্টোবর ৬তা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মশিং য়াম্লবা লুচিংবা কয়ানা ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিস তন্না থোমজিন্দুনা অকনবা মওংদা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিদা এস আই আরগা মরী লৈননা থোক্লিবা তোঙান তোঙানবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুর্মুগা উন্নদুনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্ননবা ওপোজিসনগী লিদরনা এপোইন্টমেন্ট লৌনবা হোৎনরগনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা মাল্লির্কজুন খরগেনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়া ব্লোককী মায়কৈদগী মশিং য়াম্লবা মীয়ান্না শরুক য়াদুনা অচৌবা মীফম ৫ ফাঙথোক্লগনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা করম্বা নুমিৎ অমদি করম্বা মফমদা অচৌবা রেল্লিশিং অসি পাঙথোক্কনি হায়বগী লেপথোকপদি লৈত্রি। অচৌবা রেল্লিশিং অসিগী মনুংচন্না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মখোয়গী ওইবা লৈঙাক অমা থমদুনা লৈবাক অসিদা লৈঙাক সাসন তৌনবগী পান্দমদা মীয়ামগী রাইট নমদুনা মুনবগী থৌওং মীয়ামদা চপ চানা খঙহনগনি।

মতমগী মতুং ইন্না লৈবাক মীয়ান্না ঙসিদি রাহুল গান্ধীনা বি জে পি অমদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মরক্তা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা মাঙজৌননা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদু শক্লা শোন্নবা হৌরক্লে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা করেন্সি নোট থিং জিনখ্রবা মতুং মীয়ামগী ভোটিং রাইটসু মৎপগী থৌওং চত্থরি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু মরাল শীরদুনা এস আই আরগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা লৈবাক অসিদা চত্থরিবা ইলেক্টোরেল মেল প্রক্টিক্সকী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল চত্থনবসু মলিকর্জুন খরগেনা আপিল তৌখি।

# অকালি দলগী লুচিংবা বিক্রম সিংহ এস আই টিনা সমন তৌখ্রে

চান্দিগড়, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সি): লুপা ক্রোর ৬,০০০গী দ্রগ কেসকা মরী লৈননা পঞ্জাবকী সিরোমানি অকাদিল দলগী লিদর ওইবতা নৎতনা হান্না মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা বিক্রম সিংহ মাজিথিয়াবু স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)না সমন তৌখ্রে। এস আই টিনা লুপা ক্রোর ৬,০০০গী দ্রগ কেসকা মরী লৈননা সমন তৌখ্রবা অকালি দলগী লুচিংবা বিক্রম সিংহ হৌজিক হৌজিক পার্টি অসিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা সুখবির সিংহ বাদলগী নক্লবা মরী মতানি হায়রি।

অমরোমদা এস আই টিনা বিক্রম সিংহবু সমন তৌবতা নৎতনা হায়রিবা দ্রগ কেস অসিগা মরী লৈননা পঞ্জাব পুলিসনা দিসমিস তৌখ্রবা হান্নগী দি এস পি জগদিস ভোলাবুসু সমন তৌখিবগা লোয়ননা ৱাহং পাউহং চত্থনবগীদমক লাক্লিবা ওক্টোবর ৫দা লাক্লবসু খঙহনখ্রে।

পনবা য়াবদি হৌখিবা চহী ২০১৩দা মতমদুদা পঞ্জাব পুলিসতা দি এস পি ওইনা থবক তৌবা জগদিস ভোলাগী য়ূমদগী লুপা ক্রোর ২০ লোমগী ওইগদবা দ্রগ ফাগৎখিবসু লৈখ্রে। তুংদা এন ফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটনা মনি লোন্দরিং অমসুং লুপা ক্রোর ৬,০০০গী দ্রগ রেকেটকা মরী লৈননা জগদিস ভোলগী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন চত্থদুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা য়াম্লবা লুপা ক্রোর কয়াগী দ্রগ রেকেদ কেস অসিগী মতাংদা বিক্রম সিংহ অমদি জগদিস ভোলা অহানবা ওইনা এস আই টিনা সমন তৌখিবনি।

**সনা-সুদোকু-১০৯৩গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 5 | 4 | 2 | 8 | 6 | 1 | 3 | 9 |
| 6 | 3 | 8 | 7 | 9 | 1 | 4 | 2 | 5 |
| 2 | 9 | 1 | 5 | 3 | 4 | 7 | 8 | 6 |
| 4 | 7 | 6 | 9 | 1 | 3 | 2 | 5 | 8 |
| 5 | 1 | 9 | 8 | 2 | 7 | 6 | 4 | 3 |
| 8 | 2 | 3 | 6 | 4 | 5 | 9 | 1 | 7 |
| 1 | 6 | 5 | 4 | 7 | 8 | 3 | 9 | 2 |
| 9 | 4 | 7 | 3 | 5 | 2 | 8 | 6 | 1 |
| 3 | 8 | 2 | 1 | 6 | 9 | 5 | 7 | 4 |

**Crossword # 1157**



Across
1. Speck
5. Hobo
10. Fabric joint
14. Volcanic flow
15. CB ____
16. Whittle down
17. Milky gem
18. Religious images
19. Japan's continent
20. Artist's board
22. Least distant
24. Bushy fence
26. Small landmasses
27. Secretly marry
31. Stage whisper
33. Ear part
34. In abundance
36. Make a choice
39. Show's major advertiser
41. More flavorful
43. Compass direction (abbr.)
44. Seoul native
46. Palo ____
47. Choir member
48. Map feature
49. Fish delicacy
52. Welcome
55. Ant's feeler
57. Batting average contribution (2 wds.)
62. Deceiver
63. Go inside
65. Desperate
66. Painful
67. Sneer at
68. Famous canal
69. Picnic pests
70. Circus shelter
71. Loch ____

Down
1. Spill
2. Mama's husband
3. The ____ Office
4. Story
5. Stale
6. Hurried
7. Ruckus
8. Minneapolis' state
9. Stance
10. Thinly distributed
11. Painter's stand
12. Stand up
13. Vegetarians' taboos
21. "Gone with ____ Wind"
23. Assistants
25. Guy's companion
27. Besides that
28. Trims (off)
29. Musical instrument
30. Ink holder
32. OPEC member
34. Thug
35. Excessive pride
36. Lubricates
37. ____ Sampras of tennis
38. Jogging gait
40. Yarn unit
42. Beach color
45. Goof
47. "____ Something About Mary"
48. ____ a girl!
49. Mexican sauce
50. Labor organization
51. Commence
53. Critic Roger ____
54. Merits
56. Sparrow's abode
58. Paradise
59. Employ
60. Purple flower
61. Casual tops
64. Heavy weight

পাউখুম লমায় ৭ দা ...

# অনৌবা ভোটর এনরোলমেন্ট তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লৌথোকখ্রে




ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সি): স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর) পাঙথোকপা লোইখ্রবা ষ্টেটশিংদা ওনলাইনগী খূৎথাংদা নৌনা ভোটর এনরোলমেন তৌবা য়াবগী খুদোঙচাবা পীরম্বা ফোর্ম নম্বর ৬ অদু ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লৌথোকখ্রে।

ওনলাইনগী খূৎথাংদা নৌনা ভোটর এনরোলমেন্ট তৌবা য়াবগী খুদোঙচাবা অসি হৌজিক হৌজিক এস আই আর পাঙথোক্লিবা ষ্টেটশিং খক্তদা ফংহনগদবনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ৱারেপ লৌখ্রবা মতুং এস আই আর পাঙথোকপা লোইখ্রবা ষ্টেটশিংদা হান্না মখা তানা ওনলাইনগী খূৎথাংদা নৌনা ভোটর এনরোলমেন্ট তৌবা য়াবগী খুদোঙচাবা অদু লৌথোকখিবনি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা থোকখিবা নোটিফিকেসন অসিগী মতুং ইন্না এস আই আর পাঙথোকপা লোইখ্রবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা নৌনা ভোটর এনরোলমেন তৌগে হায়রবদি রেজিষ্ট্রেসন ওফ ইলেক্টর রুলস ১৯৬০গী ফোর্ম নম্বর ৬কী খূৎথাংদা তৌরগনি।

থা অসিগী হৌখিবা ২৬তা চীফ ইলেক্সন কমিস্নার জ্ঞানেস কুমার, ইলেক্সন কমিস্নার সুখবির সিংহ সন্ধু অমসুং বিবেক জোসি মীফম পাঙথোক্লবা মতুং ফোর্ম নম্বর ৬ অসি এস আই আর পাঙথোক্লিবা ষ্টেটশিং খক্তদা চৎনগনি। অদুগা এস আই আর পাঙথোকপা লোইখ্রবা ষ্টেটশিংগী ওইনা নৌনা ভোটর এনরোলমেন তৌবা য়াবগী খুদোঙচাবা অসি রেজিষ্ট্রেসন ওফ ইলেক্টোরেল রেল ১৯৬০গী লৈরিবা ফোর্মগী মতুং ইন্না চৎনগনি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

পনবা য়াবদি ফোর্ম নম্বর ৬কী মতাংদা ইলেক্সন কমিস্নার সুখবির সিংহ সন্ধু অমসুং বিবেক জোসিনা য়ানিংদবগী ৱাফম ফোঙদোকখি হায়না লৈবাক অসিগী ন্যুজ এজেন্সি অমনা রিপোর্ট তৌরকখিবসু লৈখ্রবনি।

# নোর্থ ইষ্টর্ন দিভলপমেন্ট ফাইনান্স কোর্পোরেসন লিমিটেদকী ৩১শুবা এন্যুয়েল জেনরেল মীফম পাঙথোকখ্রে



গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সি): নোর্থ ইষ্টর্ন দিভলপমেন্ট ফাইনান্স কোর্পোরেসন লিমিটেদ (নেদফি)গী ৩১শুবা এন্যুয়েল জেনরেল মীফম গুৱাহাতিদা লৈবা কোর্পোরেসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোক্তুনা ফাইনান্সিয়েল ইয়ার ২০২৫-২০২৬গী এন্যুয়েল রিপোর্ট পুথোকখ্রে।

গুৱাহাতিদা পাঙথোকখিবা এন ই দি এফ আইগী ৩১ শুবা এন্যুয়েল জেনরেল মিটিং অদুদা নেদফিগী সি এম দি, পি ভি এস এল এন মুর্তিনা ষ্টেকহোল্ডরশিংদা তরান্না ওকপগী ৱারোল পীবগা লোয়ননা শেনবা চহী ২০২৫-২০২৬তা কোর্পোরেসনননা পায়খৎখিবা তোঙান তোঙানবা এচিভমেন্ট প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা মরিক চুন্না পাউদমখি।

সি এম দি, পি ভি এস এল এন মুর্তিনা শেনবা চহী ২০২৫-২০২৬তা কোর্পোরেসন অসিনা হান্নগী মতৌগুম চাওখৎপগী লম্বেলদা মখা তানা চংশিল্লি হায়না ফোঙদোক্লদুনা হৌখিবা শেনবা চহী ২০২৪-২০২৫তা কোর্পোরেসনননা পূন্না লুপা ক্রোর ৮৮২.৯৮ সেঙ্কসন তৌখিবা অদু শেনবা চহী ২০২৫-২০২৬তা পূন্না লুপা ক্রোর ৯৭৭.৪২ সেঙ্কসন তৌখি। কোর্পোরেসনননা শেনবা চহী অসিদা পূন্না প্রোজেক্ট ৩৪,৩২৭ কোভর তৌদুনা পূন্না লুপা ক্রোর ১০,০৯১.৮০ সেঙ্কসন তৌখি হায়না ফোঙদোকখি।

শেনবা চহী অসিদা লাকখিবা ইনকম অমদি আর্নিংগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্লা হায়, হান্নগী মতৌগুম শেনবা চহী অসিদসু কোর্পোরেসন অসিগী ফাইনান্সিয়েল পার্ফোমেন্স খোঙফম চেৎনা থমখি। গ্রোস ইনকম চাদা ৪.৪ হেনগৎতুনা লুপা ক্রোর ২৭০.৮২ য়ৌখি। ইন্টরেষ্ট ইনকম চাদা ৯.৭৩ হেনগৎতুনা লুপা ক্রোর ২১৪.৯৪ য়ৌখি।, টেক্স কাদ্রিঙৈ প্রোফিদ লুপা ক্রোর ১২৭.৭৭ ওইখি অমসুং নেট প্রোফিদনা লুপা ক্রোর ৯২.২৩ য়ৌখি হায়না ফোঙদোকখি।

কোর্পোরেসনগী বোর্দ ওফ দাইরেক্টরশিংনা শেনবা চহী ২০২৬গীদমক চাদা ৭গী দিভিদেন্ট রিকমেন্ট তৌখি। অসিদা নৎতনা কোর্পোরেসনগী মায়কৈদগী রিকোভরি অমসুং পোর্ফোলিও ক্বালিটি হান্নগী মতৌগুম লেংদনা থমদুনা গ্রোস এন পি এ ২০২৪-২০২৫কী চাদা ১.৮৮তগী ১.৭১দা হন্থবা ঙমখি।

ফাইনান্সিয়েল ইয়ার ২০২৪-২০২৫ অসিদা লুপা ক্রোর ২,০১৯.৫০দগী লুপা ক্রোর ২,২৬৯.০৫দা হেনগৎখি। মসিনা তাকপদি লোন পোর্ফোলিওশিং মখা তানা চাওখৎলি।

সি এম দি, পি ভি এস এল এন মুর্তিনা লোইশিল্লকপদা মিনিষ্ট্রি ওফ দোনর অমসুং এস আই দি বি আইগা খূৎশম্নদুনা অহানবা ওইনা লিংখৎখিবা নোর্থ ইষ্ট ভেঞ্চর ফন্দ (এন ই ভি এফ) না তোঙান তোঙানবা সেক্টরশিংদা লৈরিবা ষ্টার্টঅপ ৭০দা মতেং পাংখ্রে। মণিপুর ষ্টার্টঅপ ভেঞ্চর ফন্দ অমসুং এন আর এল আইদিয়াসন এঞ্জেল ফন্দনা নোর্থ ইষ্ট ভেঞ্চর ফন্দগী খোঙথাং অসিবু শৌগৎলদুনা পোটেন্সিয়েল লৈবা তোঙান তোঙানবা অফবা ভেঞ্চরশিংদা লুপা ক্রোর ৩৩ থাদদুনা মতেং পাংখিবসু লৈখ্রে। মসিনা রিজন অসিদা লৈরিবা এন্ট্রোপ্রেন্যুরেল ইকোসিষ্টেমদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙম্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

কোর্পোরেসন অসিগী মায়কৈদগী নুপীওইবীশিংদা এম্পাৱারমেন পীদুনা মখোয়গী পুন্সি শেন্থোক লম্বী লৈনা নুংঙাইনা হিংনবগী পান্দমদা ইমেপ্লোয়মেন্ট ওরিয়েন্টেদ ওইবা স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং প্রমোসনচিংবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়াসু পায়খৎখি। শেনবা চহী ২৬ অসিদা তোঙান তোঙানবা ট্রেদ অমসুং সেক্টরদা থবক তৌদুনা লৈরিবী নুপী বিনিফিসরি ১,২৯১দা কোর্পোরেসনননা মতেং পাংখি। খূৎ-শা হৈরবা আর্টিসানশিংদা মতেং পাংদুনা লাকখিবা খোঙচৎ অদু মখা চত্থবা ওইনা আর্টিসনশিংনা একজিবিসন, ট্রেদ ফিয়ার অমসুং সেল ইভেন্সনচিংবা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াদা পুক্নিং থৌগৎখি। অসিদা নৎতনা শেনবা চহী অসিদা আর্টিসন ৪,৫২৩দা হেন্না খুদোঙচাবা পীনবগীদমক মার্কেটিংগী ওইবা খুদোঙচাবা কয়াসু ফংহনখি হায়না ফোঙদোকখি।

লাক্কদৌরিবা চহী অসিদা কোর্পোরেসনগী মায়কৈদগী ক্রিটিদ দিলিভরি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনদুনা সষ্টেনেবল অমসুং ইক্লুসিব গ্রোথ পাকথোক চাওথোক্লবা তোঙান তোঙানবা মথৌতাবা খোঙথাং কয়া পায়খৎনবগীদমক পান্দম থল্লি হায়না ফোঙদোক্লদুনা সি এম দি, পি ভি এস এল এন মুর্তিগী মায়কৈদগী এন ই দি এফ আইনা রিজন অসিগীদমক তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা মায় পাক্লা চংশিনবা ঙম্বগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ দোনর, য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী লৈরিবা মিনিষ্ট্রিশিং, ষ্টেট গভর্ণমেন্ট, বেঙ্ক, ফাইনান্সিয়েল ইনষ্টিট্যুসনশিং অমদি মরীলৈনবা ষ্টেকহোল্ডরশিংবু থাগৎপাসু ফোঙদোকখি।

# লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাকশন্না পাঙথোক্লখিবগী শক্তম




















# সোমালিয়া তোর্বানদা হায়জেক তৌখিবা টেঙ্করদা ইন্দিয়ান য়াওনা ক্রু মেম্বর ৫ হাৎখ্রে



দুবাই, সেপ্টেম্বর ৩০, (এজেন্সি): সোমালিয়াদা পাইরেটশিংনা হায়জেক তৌখিবা টেঙ্কর অমা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অমুক হন্না কন্ট্রোল তৌখিবগা তেঙ্কর অদুগী মথক্তা পাইরেটশিংনা ইন্দিয়ান সেলর অমা য়াওনা ক্রু মেম্বর ৫ হাৎখ্রে হায়না ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।

পুন্টলেন্দ মেরিটাইম পুলিস ফোর্স (পি এম পি এফ)না মখোয়গী ফোর্সশিংনা পলাও-ফ্লেগ টেঙ্কর এমটি ওনর ২৫ অদু কেকিওর তৌনবা ওপরেসন অমা চথদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৈবাকপোকপগী অঙনবদা পাকিস্থানি ৩ ইন্দিয়ান ১ অমসুং ম্যান্মার নেসনেল ১ হাৎখ্রে হায়না ন্যুজ পোর্টেল সোমালিয়ানা ঙসি হায়খ্রে।

পাকিস্থানি ক্রু মেম্বর ৩ অমসুং ইনিদয়ান ১ শোককখি। পুন্টলেন্দ হায়রিবা অসি সোমালিয়াগী সেমি-ওটোনোমস স্টেট অমনি।

বি বি সি সোমালিগী মতুং ইন্না, ক্রু অদু পাকিস্থানি ১০, ইন্দোনেসিয়ান ৪, ইন্দিয়ান ১, শ্রীলঙ্কান ১ অমসুং ম্যান্মার নেসনেল ১না শাবনি। পি এম পি এফনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সোসিয়েল মেদিয়া পোষ্ট অমদা হায়খি, মখোয়না বন্দর বেলা দিষ্ট্রিক্টকী ধারি-বার তোর্বান মনাক্তা মেরিটাইব ওপরেসন অমা চৎখি, পাইরেটশিংনা হায়জেক তৌখিবা এম টি ওনর ২৫ ওইল টেঙ্কর অদু মায় পাক্লা রেস্ক্যু তৌখি।

হৌজিক্তি জহাজ অদু অশোয় অঙাম থোক্লিংঙাই ওইদ্রে। পুন্টলেন্দ গভর্ণমেন্ট কন্ট্রেল মখাদা লৈরে। ওপরেসন অদুদা পাইরেটনি চিংনবা ১৬ ফাখি। লৈহৌরিবা মেম্বরশিং ফংনবা ওপরেসন মখা চথরি।

মোগাদিসুগীদমক ফুয়েল বেরেল ১৮৫০০ পুরকখিবা লল্লোন ইতিক্কী জহাজ অদু এপ্রিল ২১দা পাইরেটশিংনা হায়জেক তৌখিবনি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা সোমালিয়াগী পাইরেটশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা টোগা ফ্লেগ টেঙ্কর অমা থাদোক্লকখ্রে। জহাজ অদু পুন্টলেন্দগী কারগার রিজন মনাক্তগী ফাখিবনি।

ইজিপসিয়ান ৮ অমসুং ইনিদয়ান ৪না শাবা ক্রু মেম্বর ১২ অদু লোয়নমক অশোয় অঙাম থোক্তনা লোকেল কম্যুনিটিদা খুশিন্নদুনা পাইরেট ৩০ রোম অদু কুমথখ্রে হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

পাইরেটশিং অদুনা জহাজ এম টি য়ুরেকা অতেক অকায় থোকহল্লমখি অমসুং মদুগী পার্টশিং মৈ থাদোক্লমখি।

ফুয়েল বেরেল ২০৪০০ রোম পুরকখিবা টেঙ্কর অদু য়েমেনগী পোর্ট ওফ কানা মনাক্কী মো ২দা হায়জেক তৌখিবনি অমসুং ফাদুনা থা কয়া থমখিবগী মতমদা মদুদা য়াওরিবা থাও অয়াম্বা লৌথোকখ্রে অমসুং য়োন্থোকখ্রে।

ক্রু মেম্বরশিং অদু হৌজিক পুন-হানুদা এরিয়াদা মীয়াম্না চংজফম পীদুনা থল্লি হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়রি।

# কো-পাইলোটনা প্লেন থুগায়নবা হোৎনরকখিবদা কোক পিটতা ফুগাইনদুনা ইন্দিয়ান পাইলোটনা থিংহৌরে



টেল এভিব, সেপ্টেম্বর ৩০, (এজেন্সি): পাইরিঙৈ কোকপিট মনুংদা খূৎ থোক্লরগা মাগী কো-পাইলোটনা প্লেন থুগাইনবা হোৎনরকখিবা অমা থিংবা ঙমখ্রবা ফ্লাইদুবাই হেরো অদু ইন্দিয়ান এভিয়েটর, কেপ্টেন স্মিট মসারনি। কেপ্টেন মসারনা প্লেন অদুগী সিষ্টেমস সেবোটেজ তৌনবা হোৎনরকখিবা কো-পাইলোট অদু থিংদুনা দুবাই-টেল এভিব ফ্লাইট তোংলকখিবা পেসেঞ্জর ১৮০গী পুন্সি কনখ্রে।

খূৎ থোক্লবা অদুদা থাঙনা থিনবদগী মহাক মশাদা ঈনা পুমলুপ লুপ্পুনা লৈখি অমসুং ৱা ঙাংবা ফাওবা ৱাখি। পেসেঞ্জরশিংনা মহাকপু হেরো অমা ওইনা থাগৎপদু ভিজ্যুয়েলশিংনা উৎখি।

মুক্ল রকখিবা অদুনা মসি ঙাইহাক্তি হায়জেকিংগী অকিবা অদু পোকহনখি। অদুবু ফেলো পাইলোট খরনা কোকপিট অদু পাইশিন্দুনা অমসুং সাউদি অরাবিয়াদা তোঙানবা মফম অমদা সেফ লেন্দিং অমা তৌদুনা হায়জেক্কিংগী অকিবা অদু থুনা কোকখি।

ইন্দিয়ান কেপ্টেন অদু এমিরেটি গভর্ণমেন্টনা কাংবু ওইবা লো-কোষ্ট কেরিয়র ফ্লাইদুবাইদা চহী ৪ থবক তৌরকখ্রে। মসিগী মমাঙদা মহাক চহী ১০ কোকপিট থবক তৌরকখি।

জুন ২০২২দা মহাক্না স্পাই জেদতগী তোকখি অমসুং দাইরেক এন্ট্রি কেপ্টেন ওইনা ফ্লাইদুবাইদা য়াওখি। ফ্লাইট এফ জেদ ১০৭৩না দুবাইদগী টেল এভিব তন্না পাইরকখিবদা প্লেনগী কোকপিট মনুংদা হিংশা থোক্লা খূৎ থোক্লবা অমা থোকখি।

নোংথক্তা পাইরিঙৈগী মনুংদুদা পাইলোটশিংদুগী মনুংদগী অমনা প্লেন অদুগী সিষ্টেমস অদু সোবোটেজ তৌনবা হোৎনখিবনি হায়না ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান্যাহুনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

কেপ্টেন মসারনা পাইলোট অদু ফুগাইনরগা থিংনবা হোৎনখি অদুবু মদুদা মঙোন্দা থাঙনা থিল্লকখি। ভিজ্যুয়েলশিংদা মহাক মহাক্কী মমায় অমসুং মখূৎ পুন্নমক্তা ঈ তৈবগা লোয়নন লৈমায়দা তাদুনা লৈবা অদু উৎলি।

মথংদা ক্রু মেম্বর অমসুং পেসেঞ্জর অমনা কোকপিট অদু থুগাইরগা মনুংদা চংলকখি অমসুং মীওই অদু ন্যুট্রেলাইজ তৌখি হায়না ইজরেলি ওথোরিটিজনা হায়খি।

থৌদোক অদু টেররগী থবক অমা ওইরম্বা য়াব্রা হায়বা অদু থিজিল্লি।

# অরাবিয়ান সিদা হিদগী লুপা ক্রোর ৩,০০০গী দ্রগ ফারে



অহমেদাবাদ, সেপ্টেম্বর ৩০, (এজেন্সি): অরাবিয়ান সিদা গুজরাত এ টি এস অমসুং ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দনা ইরানগী হি অমদগী লুপা ক্রোর ৩০০০ হেনবগী হেরোইন অমসুং মেথাম ফেতামিন য়াওনা নার্কোটিক্স কেজি ৫২৬ হেন্না ফাখ্রে।

জহাজ অদু মুম্বাইদা এস্কোট তৌরকখিবগা লোয়ননা মচিন হংনবা অমসুং মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক পাকিস্থান ক্রু মেম্বর ৫সু দিটেন তৌরে।

মখোয়না লক্ষাদীপ রিজনদগী কন্সাইনমেন্ট অদু পুরকখিবনি। গুজরাত এ দি এসতগী ফংবা ইন্টিলিজেন্সতা য়ূমফম ওইরগা থবক লৌখৎতুনা সেন্ট্রেল ইন্টিলিজেন্স এজেন্সি অমসুং অতৈ ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিশিংগা লোয়ননা ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দনা চিংননিঙাই ওইবা জহাজ অদু খোঙ্গুল লিনবা মেরিটাইম ওপরেসন অমা চৎখি।

কোষ্ট গার্দ পার্সোন্নেলনা ইরানিয়ান ধো অদু থৎখি অমসুং টেক্টিকেল বোর্দিং ওপরেসন অমা চৎখি। মদুগী মতুংদা থিজিন হুমজিনবদা ট্রান্সনেসনল দ্রগ-স্মগ্লিং নেটৱার্ক অমদা অচৌবা চৈফু অমা পীবা ঙমখি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা ওপরেসন অদু লাউথোক্লদুনা ইন্দিয়া কোষ্ট গার্দনা ইন্টিলিজেন্সনা লুচিংবা মিসন অদুনা অপূনবা ওপরেসন অমা চথদুনা মায় পাক্লা ট্রান্সনেসনেল নার্কোটিক্স-স্মগ্লিং চেনেল অমা মায় পাক্লা থুগাইখ্রে হায়খি।

# গাড়ী এক্সিদেন্টতা ইন্দিয়ান ২ শিখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ৩০, (এজেন্সি): য়োগ তম্বিনবা ভিয়েটনামদা ঝরখন্দগী চৎখিবা ইন্দিয়ান ২ খা এসিয়া লৈবাক অদুদা গাড়ী এক্সিদেন্ট অমদা শিখ্রে। রাজাকুমার বর্মা (২৬) অমসুং বিজয় যাদব (২৩) দ লান সিটিদা সেপ্টেম্বর ২৫দা মখোয়গী বাইক এক্সিদেন্ট থোকপদা শিখি। অনি অদুনা য়োগা ক্লাসশিংগী মতুং হল্লকখিবদা অচোৎপা লম্বী অমদা নাম্থুখি অমসুং মায়োক্লবা লেনদা লানশিনখিবদা মায়োক্লবা মায়কৈদা লাকখিবা কারগা থেঙ্গাইনখি।

বর্মাদি মফম অদুদা শিখি অদুগা যাদবনা হোস্পিটাল অমদা লায়েং চথখিবা মতুং কোন্না নুমিৎ নীনিগী মতুংদা শিখি। বর্মানা রাঞ্চিদা লৈবনি। মহাক ভিয়েটনামদা য়োগা তম্বিদুনা চহী ২ রোম লৈরকখ্রে।

মহাক্কী মপা ইলেক্ট্রিসিয়ান অমনি ইমুং অদু শেলগী ফিভম ফৎতে। বিজয় যাদব জামসেদপুরদগীনি মহাকসু চহী ২গী মাঙদা থবক ফংনবা ভিয়েটনামদা চৎখি। মহাকসু মহাক্কী ইমুং পুনবা য়োগা ইনষ্ট্রকটর অমা ওইনা থবক তৌরগা মতেং পাংলিবনি। বর্মাগী ইমুংগী মতুং ইন্না মাগী হকচাং রাঞ্চিদা পুরকপদা লুপা লাক্ষ ২০মুক চংগনি।


### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (CENTRAL-II), IMPHAL WEST

*Ref. P.1. No. 1011/SDC/IW(C)-II, Date 29/07/2026*

**LEGAL WIFE CERTIFICATE**

Huirem Kunjarani Devi W/O (Late) Yengkhom Nipamacha Singh of Liwa Lambi Chingamakha Sorokhaibam Leikai

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯗꯕ / **NOTICE**

Lamphel, the 30/07/2026

অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Huirem Kunjarani Devi হায়রিবা মীওই অসিনা W/O (Late) Yengkhom Nipamacha Singh গী লোইনবীনি হায়রি। মরম অদুনা Legal Wife Certificate পীবিয়ু হায়দুনা application অমা SDO, Lamphel দা থারক্লে। মরম অদুনা মসিদা কনাগুম্বনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ-চে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭(তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চে ওইনা মথক্কী কোর্ট অসিদা য়েৎপীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
Sup-Deputy Collector
Imphal West (Central)-II
Lamphel

SL/Sus/01



### MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY SECRETARIAT

**NOTIFICATION**

*Imphal, the 29th September, 2026.*

*No.01/02(05)/2026-LA(E):* It is hereby informed to all the candidates who have applied for the following posts in the Manipur Legislative Assembly Secretariat that issue of **Admit Cards (both Physical & Online) & Written Test** for direct recruitment of the same have been scheduled on the date(s), time and venue as listed below:

| Sl. No. | Name of Post | Date | Particulars | Venue |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Multi-Tasking Staff (MTS) | 25/10/2026 (Morning) | Written Test (100 marks) (10:00 AM to 1:00 PM) | D.M. College Campus |
| 2. | Driver | 25/10/2026 (Evening) | Written Test (100 marks) (2:00 PM to 5:00 PM) | -do- |
| 3. | Mali | 26/10/2026 (Morning) | Written Test (100 marks) (10:00 AM to 1:00 PM) | -do- |
| 4. | Sweeper | 26/10/2026 (Evening) | Written Test (100 marks) (2:00 PM to 5:00 PM) | -do- |

**Syllabus for Written Test:**

| Sl. No. | Posts | Subject | Nos. Of Questions | Total Marks |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Driver | i) General Intelligence & Reasoning | 25 | 25 |
| | | ii) General Knowledge | 25 | 25 |
| | | iii) Quantitative Aptitude | 25 | 25 |
| | | iv) English Language | 25 | 25 |
| | | Total | 100 | 100 |
| 2. | Mali, Sweeper & Multi-Tasking Staff (MTS) | i) General Knowledge | 50 | 50 |
| | | ii) Basic Mathematics | 25 | 25 |
| | | iii)English Language | 25 | 25 |
| | | Total | 100 | 100 |

I. All the questions will be Multiple-Choice Type Questions.
II. There will be no negative marks for incorrect answer or questions not attempted.
III. All candidates are to compulsorily bring admit cards along with ball pens (blue colour).
IV. The number of the post may be increased subject to availability of vacancies from time to time.
V. The above listed date(s), time & venue as scheduled are subject to changes.

**Further, Admit Cards will be issued as per the following schedules as listed below:**
*For Online Mode: From the midnight (12:00 am) of 20/10/2026 till the midnight (12:00 am) of 24/10/2026.*
*For Physical Mode: From 20/10/2024 to 24/10/2026 during office hours at the Banquet hall of Assembly Secretariat.*

Sd/-
(G. Tapankumar Sharma)
Addl, Secretary, (Admn),
Manipur Legislative Assembly

SL/Sana/01, 02, 03


# বঙ্গলাদেশতা দুর্গা পুজাগী গ্রান্ট হেনগৎখ্রে

ধাকা, সেপ্টেম্বর ৩০, (এজেন্সি): বঙ্গলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর তরিখ রহমননা চহী অসিগী দুর্গা পুজাগীদমক গভর্ণমেন্ট গ্রান্ট অদু তাকা ক্রোর ৫দা হেনগৎহনখ্রে অমসুং বঙ্গলাদেশতা মাইনোরিটি হিন্দু কম্যুনিটিদা চাওনা খূৎ লাম্থোকপা অমনি হায়বনা অমদা ফেষ্টিবেলশিং অদুগী মনুংদা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংগী হোলিদে নুমিৎ ৫নিদা শাংদোকহনখ্রে।

হিন্দু রিলিজিয়স ৱেলফিয়ার ট্রষ্টনা দুর্গা পুজাগীদমক তাকা ক্রোর ৪ দিমান্দ তৌখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরগী অখন্নবা থৌশিল মখাদা তাকা ক্রোর ৫ হাপ্লকখ্রে হায়না পাউশিংনা হায়খি।

মসিগা মান্নবা বুধিষ্ট রিলিজিয়স ৱেলফিয়ার ট্রষ্টনা কথিন চিবার দানগীদমক তাকা ক্রোর ২ দিমান্দ তৌখি অদুবু তাকা ক্রোর ৩ হাপ্লকখ্রে।

মায়নোরিটিশিংগী সেক্যুরিটি অমসুং সেফটিগী মতাংদা ৱাহংশিং হংনরকখিবদা বঙ্গলাদেশ গভর্ণমেন্টনা চহী অসিগী দুর্গা পুজাগীদমক সেক্যুরিটি থৌরাংগীদমক হেন্না কনখৎহল্লে লাউথোকখ্রে।

ফেষ্টিবেল অসিগী মনুংদা মোনিটরিং কনখৎহন্নবা নেসনেল টেলি কম্যুনিকেসন মোনিটরিং সেন্টর (এন টি এম সি)না বঙ্গলাদেশতা দিভলপ তৌবা মোবাইল টেলিকম্যুনিকেস ওথোরিটিনা শিজিন্নরগনি।

বঙ্গলাদেশকী হোম মিনিষ্টর সলাহাউদ্দিননা হেন্না কনবা সেক্যুরিটি থৌরাংশিং, হেনগৎলবা গভর্ণমেন্ট ফন্দিং, লাক্লিবা ফেষ্টিবেলগীদমক মতম শাংদোক্লবা হোলিদে অমা লাউথোকখ্রে।

বঙ্গলাদেশতা পুজা মান্দব ৩৩৮৫১দা দুর্গা পুজা পাঙথোক্কনি মসি হৌখিবা চহীদগী ১৫০০ হেল্লবনি।

ষ্টেট মিনিষ্টর ফোর রিলিজিয়স এফিয়ারস মোহম্মদ সামিন কায়জরনা লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা লাক্লিবা পুজাগীদমক শান্তি ওইনা অমসুং অশোয় অঙাম থোক্তনা পাঙথোকপা য়ানবা ফুল প্রুব সেক্যুরিটি পীনবা ওথোরিটিজদা পাউতাক পীখ্রে।

# ইরাকতা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন লোইশিনখ্রে

বাঘদাদ, সেপ্টেম্বর ৩০, (এজেন্সি): ইরাকতা চহী ১০ হেন্না লৈরকখিবা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন অদু জিহাদিষ্টশিংদগী লৈবাক অদু কনবদা মতেং পীরমখিবা অদু লোইশিনখ্রে। ইরাক অমসুং সিরিয়াদা পাক চাওরবা লম পায়রমখিবা অমসুং মীহাৎ অমসুং মীওৎ মীনৈ চথরমখিবা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) গ্রুপ থেংননবা কোলিসন ক্রুপশিং অদু ২০১৪দা লৈবাক অনি অদুদা দিপ্লোয় তৌখি।

ইরাকতা গ্রুপ অদু ২০১৭ অমসুং সিরিয়াদা ২০১৯দা মায়থিবা পীখ্রে, অদুবু কোলিসন ফোর্সশিং অদু গ্রুপ অদুগী লেমহৌবশিং থেংননবা মখা তানা লৈহৌখি। বাঘদাদ অমসুং ৱাসিংটননা কোলিসন অদুগী মিসন অদু লোইশিন্নবা অমসুং লৈবাক অসিদগী মখোয়গী ট্রুপশিং তপ্না-তপ্না লৌথোক্লবা ২০২৪দা য়ান্নখি। মখাতানা লৈহৌখিবা ওটোনোমস নোরদর্ন কর্দিষ্টান রিজনদগী অরোইবা ওইনা মখোয় য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী লৌথোকখ্রগনি।

কোলিসন ট্রুপশিং অদু লৌথোকখ্রবদি টেহরাননা ঙাক্লৌ পীবা শক্তি লৈরবা মিলিটেন্ট ফ্রেক্সনশিংনা মখোয়না খূৎলাই পায়রিবা অদু আমেরিকান ট্রুপশিং লৈবা মরমদগীনি হায়বা অদু তোকহল্লগনি হায়না ইরাক গভর্ণমেন্টনা থাজরি।

### ক্রোসৱার্দ ১১৫৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | P | O | T | | T | R | A | M | P | | S | E | A | M |
| L | A | V | A | | R | A | D | I | O | | P | A | R | E |
| O | P | A | L | | I | C | O | N | S | | A | S | I | A |
| P | A | L | E | T | T | E | | N | E | A | R | E | S | T |
| | | | | H | E | D | G | E | | I | S | L | E | S |
| E | L | O | P | E | | | A | S | I | D | E | | | |
| L | O | B | E | | G | A | L | O | R | E | | O | P | T |
| S | P | O | N | S | O | R | | T | A | S | T | I | E | R |
| E | S | E | | K | O | R | E | A | N | | A | L | T | O |
| | | | T | E | N | O | R | | | I | N | S | E | T |
| S | U | S | H | I | | G | R | E | E | T | | | | |
| A | N | T | E | N | N | A | | B | A | S | E | H | I | T |
| L | I | A | R | | E | N | T | E | R | | D | I | R | E |
| S | O | R | E | | S | C | O | R | N | | E | R | I | E |
| A | N | T | S | | T | E | N | T | S | | N | E | S | S |


### In the Court of The Sub-Deputy Collector Porompat, Imphal East, Manipur

*Ref. :- Mutation Case No. 416 of SDC(IE)/P of 2026*

1) Haorungbam Khomdonsana D/O Late H. Ibochouba Singh of Khurai Konsam Leikai.
2) Haorungbam Jackson S/OLate H. Ibochouba Singh of Moirangkampu Awang Leikai.
3) Haorungbam Boinao S/O Late H. Ibochouba Singh of Moirangkampu Awang Leikai.

**- Petitioners**

**-Verses-**

Haorungbam Ibochouba Singh S/O Late Bedam Singh of Moirangkampu . **-O. P.**

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯗꯕ/NOTICE

*Porompat,the 29th Sept,* 2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 17-Moirangkampu গী Patta No. 134 (Old) (অরিবা), 169/291 (অনৌবা) Covered by C.S. Dag No. 51/336 measuring an area 0.11656 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চথগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat Imphal East, Manipur

SL/Nanda/01



### GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, POROMPAT IMPHAL EAST

**LEGAL WIFE CERTIFICATE**

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯗꯕ/NOTICE

*Porompat, the 30/09/2026*

নোটিশ অসিনা খংহনলি মদুদি শ্রীমতি Ranjana Rajkumari লৈফম Khurai Chingangbam Leikai অসিনা লৈখিদ্রবা Late Moiranthem Ibohanbi Singh অসিবু মহাক্কী লিগেল নুপানি হাইদুনা ওফিস অসিদা মহাক্কী মিংদা লিগেল Wife certificate পিবিয়ু হায়দুনা ওফিস অসিদা দরখাষ্ট থাররে।

মরম অসিনা কনাগুম্বা মরীলৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ 5(five)গী মনুংদা ওফিস অসিদা Objection তৌবিরবা য়াগনি। করিগুম্বা মরীলৈনবশিংনা Objection লাক্রবদি মখা তাবা থবক চথরগনি, তুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/Nanda/1



### GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, POROMPAT IMPHAL EAST

**LEGAL WIFE CERTIFICATE**

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯗꯕ/NOTICE

*Porompat, the 30/09/2026*

নোটিশ অসিনা খংহনলি মদুদি শ্রীমতি Laishram Sanajaobi Devi লৈফম Wangkhei Tokpam Leikai অসিনা লৈখিদ্রবা Late Laishrasm Kaminikumar Singh অসিবু মহাক্কী লিগেল নুপানি হাইদুনা ওফিস অসিদা মহাক্কী মিংদা লিগেল Wife certificate পিবিয়ু হায়দুনা ওফিস অসিদা দরখাষ্ট থাররে।

মরম অসিনা কনাগুম্বা মরীলৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ 5(five)গী মনুংদা ওফিস অসিদা Objection তৌবিরবা য়াগনি। করিগুম্বা মরীলৈনবশিংনা Objection লাক্রবদি মখা তাবা থবক চথরগনি, তুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/Nanda/1



### GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, POROMPAT IMPHAL EAST

***LEGAL HUSBAND CERTIFICATE***

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯗꯕ/NOTICE

*Porompat, the 30/09/2026*

নোটিশ অসিনা খংহনলি মদুদি শ্রীমতি Gurumayum Rajen Sharma লৈফম Thangapat Mapan Keirungbam Kolup অসিনা লৈখিদ্রবা Late Maibam Renubal Devi অসিবু মহাক্কী লিগেল নুপীনি হাইদুনা ওফিস অসিদা মহাক্কী মিংদা লিগেল Husband certificate পিবিয়ু হায়দুনা ওফিস অসিদা দরখাষ্ট থাররে।

মরম অসিনা কনাগুম্বা মরীলৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ 5(five)গী মনুংদা ওফিস অসিদা Objection তৌবিরবা য়াগনি। করিগুম্বা মরীলৈনবশিংনা Objection লাক্রবদি মখা তাবা থবক চথরগনি, তুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/Nanda/1








